# টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ননা সুদেভা দেল্লীবু ৩-২দা থোইদুনা মরিশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে



সুদেভা দেল্লী এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা আই-লীগকী ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রবা ট্রাওগী শান্নরোয়শিং

কোলকাটা, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): কোলকাটাগী কল্যানি ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো আই-লীগকী ১০শুবা রাউন্দগী মেটচতা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও)না সুদেভা দেল্লী এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিগী মাংওইননা ট্রাও মেটচ ৯ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্লনি। অমরোমদা, সুদেভা দেল্লী এফ সী মেটচ ৯দা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

আই-লীগকী ওইনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবগী রাউন্দ ১০ লোইশিল্লকপদা মকোক থোংবা টিম ৬ খনগৎলগা মখা তাবা মকোক থোংবশিং অদুগী মেটচশিং শান্নগনি। অদুগা লেমহৌবা টিম ৫না রেলিগেট তৌগদবা টিম অদু মশক খঙদোক্লবা অমুক শান্নগদৌরি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা ট্রাওগী মায়কৈদগী মকোক থোংবা টিম ৬কী মনুং চন্নবা হোৎনবদা মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা ওইখি। অদুবু হৌরকপদা সুদেভা দেল্লী এফ সীগী মায়কৈদগী ৱিলিয়ম পোলিনখুমনা ১৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল চল্লগা মাঙজিল থাখি। অদুবু ট্রাওগী মায়কৈদগী খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা ইক্বেলাইজর অদু ৩৬শুবা মিনটতা চনখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৪দা ঙাইরবা মতমদা সুদেভা দেল্লী এফ সীগী সুভো পোলনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ট্রাওবু ২-১দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ট্রাওগী কেপ্টেন কোন্সম ফালগুনিনা ৫৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ফজখি। ৮২শুবা মিনটতা ট্রাওগী জোসেফ ওলালেয়েনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চল্লগা ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা মহমদন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা রিয়াল কাশ্মীরবু ২-০দা থোইখি। অদুগা আইজোল এফ সীনা চেন্নাই সিটি এফ সীবু ৩-০দা থোইখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Churchill Brothers | 9 | 5 | 4 | 0 | 12 | 4 | 8 | 19 |
| 2 | Real Kashmir | 10 | 4 | 5 | 1 | 18 | 9 | 9 | 17 |
| 3 | Gokulam FC | 9 | 5 | 1 | 3 | 18 | 11 | 7 | 16 |
| 4 | TRAU | 10 | 4 | 4 | 2 | 17 | 13 | 4 | 16 |
| 5 | Mohammedan SC | 10 | 4 | 4 | 2 | 9 | 8 | 1 | 16 |
| 6 | Punjab FC | 9 | 4 | 3 | 2 | 11 | 7 | 4 | 15 |
| 7 | Aizawl | 10 | 4 | 3 | 3 | 13 | 8 | 5 | 15 |
| 8 | Sudeva | 10 | 2 | 3 | 5 | 11 | 11 | 0 | 9 |
| 9 | Chennai City FC | 10 | 3 | 0 | 7 | 7 | 19 | -12 | 9 |
| 10 | Neroca FC | 9 | 2 | 2 | 5 | 13 | 14 | -1 | 8 |
| 11 | Indian Arrows | 10 | 1 | 1 | 8 | 6 | 31 | -25 | 4 |

# এস এস য়ু শীংজমৈনা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেৎবু ৩-২দা থোইদুনা ১১শুবা সাহিদ মনোরঞ্জন ফুটবোলগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): ১৪৩শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা আই জি পি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফকী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন অনীগী মতেংগা লোয়ননা থা অসিগী ৬তগী চথরকখিবা ১১শুবা সাহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়ল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস এস য়ু শীংজমৈনাঈ এস য়ু ৱাঙ্খেৎবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা মিনট ২০ লোম টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেৎগী মায়কৈদগী ২৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৭ থুমসোল তোংসুনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। এস এস য়ু পাঞ্জল অমা শোখরবা মতুং ইক্বেলাইজর অদু ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মিনট ৫দা ঙাইরবা মতমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ সুরজনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

হাফ অদু লোইগদবা মতম লৈশিল্লক্ত্রবা ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা এস এস য়ুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৬ এ ননাওনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেৎবু পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মতম য়াম্না হৌজিনদ্রিঙৈ শুপ্পগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেৎগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ নাওবনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২ মান্নদুনা মেটচ অদু মখা তানা ফজবা লম্বা অমুক থেংনরকখি।

শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা এস এস য়ুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ শিতলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ফাইনেল মেটচ অদু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবগী লম্বৈল অদু মহাক্কী টিম অদুবু নকশিনহনবা ঙমখি। ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী শোন্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু এস এস য়ুগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়না মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদুবু লেমহৌরিবা শান্নবগী মিনট ২৫গী মতম অদুদা থিংদুনা থমখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ৩-২দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

চেম্পিয়ন ওইরবা এস এস য়ুগী টিম শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ২.৫ ফংখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌরবা ঈ এস য়ু লুপা লাখ ১.৫গী শেলগী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা ৱাফা ৱাঙ্গোইবু থোইদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। টিম অদুসু শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩৫ অদুগা ৱাফানা লুপা লিশিং ১৫ ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদু ৱাফাগী পিটর সৈমিন্থাংনা ফংখি। খ্বাইদগী ফজবা গোলকিপরগী মনা অদুনা ঈ এস য়ুগী চিঙ্খেৎহুনবনা ফংখি। ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা ষ্টেটকী য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা মনোরঞ্জনগী অপোকপী মেমচা অমসুং সী আর পি এফকী আই জি পি রন্দিপ দট্টসু শরুক য়াখি।

# ইমা এফ সী থোংজাও অমসুং এফ সী য়াইসা ককচীং ক্বার্টর মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): লাংমৈদোংমমাং লৈকাই সিটিজন ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোরকপা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ইমা এফ সী থোংজাও অমসুং এফ সী য়াইসা ককচীং মখোয়-মখোয়গী মেটচ মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু ইমা এফ সী থোংজাও অমদি ককচীং এফ সী লম্বা তৌনখিবনি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা ইমা এফ সীগী জর্সি নম্বর ৫ পৈথাংনা পাঞ্জল ১ চনখি। মদুগী মতুং শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা ককচীং এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ জেকনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা লৈখিবদগী পেনাল্টি কিক কাওনবদা ইমা এফ সী লমজাওনা ৭-৬তা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌখি।

২শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এফ সী য়াইসা ককচীংনা ৱাই ঈ সী ৱাইখোংবু ২-১দা থোইখি। এফ সী য়াইসাগী মায়কৈদগী রোবিনসন অমসুং নোবিননা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ৱাই ঈ সী ৱাইখোংগী মায়কৈদগীনা সুরেশচন্দ্রনা চনবা ঙমখি।

# থৌবাল-এনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুর (জে কে এ এম)না শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়াই লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা ঙরাংদগী হৌখিবা ১০শুবা ষ্টেট লেভেল সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সিনিয়র জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ওভরওল চেম্পিয়ন থৌবাল-এ টিমনা তাখ্রে।

থৌবাল-এগী টিমনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা পূন্না গোল্ড মেদল ৪০, সিলভর মেদল ১০ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৪ লৌদুনা ওভরওল চেম্পিয়নগী ট্রোফি অদু ফংবা ঙমখিবনি। থৌবাল-বিগী টিমনা গোল্ড মেদল ৭, সিলভর ১০ অমসুং ব্রোঞ্জ ৮ লৌবা ঙমদুনা রন্নর্স অপ তাখি। লোয়ননা অহুমশুবা পোজিসন অদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী টিমনা গোল্ড মেদল ৫, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংলগা তাখি। অমরোমদা, বিষ্ণুপুরগী টিমনা গোল্ড মেদল ৫, সিলভর মেদল ১ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ২ লৌবা ঙমদুনা মরিশুবা পোজিসনা তাখি।

ঙসিগী চেম্পিয়নশিপ অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রগী লোয়নবী কৈশাম ওংবী রোবিতানা চীফ গেষ্ট ওইখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মরুওইবা মীওই কয়ানা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা মেদল অমসুং সর্টিফিকেট য়েন্থোকখি।

# অহানবা ভি সী পি সী ট্রোফি হৌখ্রে, ৱাই বি আই সী বামোন লৈকাই মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): ভিলেজ কম্যুনিটি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (ভি সী পি সী) য়াইরিপোক বামোন লৈকাইনা শীন্দুনা অহানবা ভি সী পি সী ট্রোফি মণিপুর ষ্টেট ওপন ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ ঙসিদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক বামোন লৈকাই তুরেল মপানগী শান্নবুংদা টিম ১৯না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা শান্নবা হৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপা নুমীৎতা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই বি আই সী বামোন লৈকাইনা শঙ্গাইয়ুম্ফম এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমীৎকী মেটচ অদুদা ৱাই বি আই সীগী মায়কৈদগী ৯শুবা মিনট য়ৌশিল্লকপদা জর্সি নম্বর ১১ সহিদুরনা পাঞ্জল অমা চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা শঙ্গাইয়ুম্ফম এফ সীগী মায়কৈদগী শৈখ অলিনা ইক্বেলাইজর অদু ২৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুবু মতম ইকান কান্নদনা ২৯শুবা মিনটতা ৱাই বি আই সীগী মায়কৈদগী অথিবীনা পাঞ্জল অমা হাপচিনবা ঙমখি। লোয়ননা শান্নবগী ৪৬শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী দেনিএলনা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা ৩-১দা থোইবা ঙমখি। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা মেটচ অহুম শান্নগনি।

# সেক্তা (সী) অমসুং এল এস আই সী (এ) ক্বার্টর য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): সেক্তা (সী) অমসুং এল এস আই সী (এ)না ঙসি শান্নখিবা চালৌ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোক্লকপা ১১শুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ মেন্স ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী শান্নখি। অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সেক্তা (সী) অমসুং ও এন ৱাই সী ওক্সু লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী কাঙলোনগী মতুংইন্না পেনাল্টি কিক কাওনদুনা মায় পাকপা টিম অদু মশক খঙদোকখি।

সেক্তা (সী)গী মায়কৈদগী পেনাল্টি কিক কাওবদা পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি জর্সি নম্বর ৯ লন্দন, জর্সি নম্বর ১১ শ্যামদাস, জর্সি নম্বর ৩ বিসন অমসুং জর্সি নম্বর ৭ থোইনি। অমরোমদা, ও এন ৱাই সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ নাওচা অমসুং জর্সি নম্বর ১০ নোংশাবনা পাঞ্জল চল্লগা জর্সি নম্বর ২ রোবর্ট অমদি জর্সি নম্বর ১৫ রোহিট পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু সেক্তা (সী)না ৪-২দা মায় পাক্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা এল এস আই সী লম্লাইনা এফ সী সনায়াইবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখি। এল এস আই সী (এ)গী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ এন জি জিতেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। লোয়ননা টিম অদুগী অতোপ্পা পাঞ্জল অদুনা কে ঐচ অমরজিৎনা চনবা ঙমখি। এফ সী সনায়াইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমফাওবা য়ানবা ঙমখিদে।

# জে এস ৱাই সী অমসুং এল ৱাই জি এস ঈ দি এ থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): জে এস ৱাই সীনা এফ সী লমজাওবু ৩-০দা থোইখ্রে। অদুগা এল ৱাই জি এস ঈ দি এনা দব্লিয়ু এ এফ এবু থোইখ্রে।

ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা শৈখ বাবুমচা মেমোরিয়ল ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌদুনা লম্লোং থোংখোঙগী এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নরিবা অহানবা অস্ফা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১৭শুবা মেটচতা জে এস ৱাই সী অমসুং এফ সী লমজাও লম্বা তৌনখি।

মেটচকী হৌরকপা ৯শুবা মিনটতা জে এস ৱাই সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৯ সৈমিনলুন কে ঐচনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচকী মখা তারকপা অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা মতম অদুদা এফ সী লমজাওগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা শান্নদুনা মখোয়গী মায়কৈদা জে এস ৱাই সীনা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনখিবা অদু মায় পাকখিদে।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং ৮৫শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা সৈমিনলুননা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মিনট ৩ লৈরগা মখা তাবা এটেক অমদা জে এস ৱাই সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ লুনমিনথাংনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চল্লগা মেটচ অদু ৩-০দা থোইখি।

১৮শুবা মেটচতা দব্লিয়ু এ এফ এ অমসুং এল ৱাই জি এস ঈ দি এ লম্বা তৌনবদা এল ৱাই জি এস ঈ দি এনা ২-১দা থোইখি। এল ৱাই জি এস ঈ দি এগী জর্সি নম্বর ৭ পাওলেনলাননা ২৫শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুগী মতুং ৭৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী থাংটিংলেননা অনীশুবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং দব্লিয়ু এ এফ এগী মায়কৈদগী পিটরনা পাঞ্জল ১ চনখি।

## ষ্টেট লেভেল হোক্কী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): য়ুথ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টর, কোন্থা অহল্লুপনা শীন্দুনা ৯শুবা ষ্টেট লেভেল সব-জুনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স (বোইজ য়ু-১৫ অমসুং গর্লস য়ু-১৭) কেশ প্রাইজ হোক্কী টুর্নামেন্ট কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ইবুধৌ মার্জিং গ্রাউন্দদা মার্চ ৭তগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। ৯শুবা য়ুম্নাম রাশমণি মেমোরিয়ল কেশ প্রাইজ হোক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা মণিপুর হোক্কীদা এফিলিএট তৌরবা য়ুনিট অমদি ক্লবশিংনা এন্ট্রি ফী লুপা ২,০০০গা লোয়ননা মার্চ ১দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

## ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন বোক্সিং

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদেমিনা শীন্দুনা ময়াং ইম্ফালদা মার্চ ২৩দগী ২৭ ফাওবা মণিপুর বোক্সিং লিজেন্দ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি হায়রি। টুর্নামেন্ট অসিদা য়ুথ অমসুং সিনিয়র বোক্সরশিংগী কেটেগোরি অনীদা কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি। শরুক য়ানিংবশিংনা সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদেমিদগী মার্চ ১৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

## মেনেজরগী মীফম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা এপ্রিল ২দগী পাঙথোক্কদৌরিবা এন্যুএল ওল লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১গা মরী লৈননা ফমখিবা এগজিক্যুটিভ মীফমগী ৱারেপকী মতুংইন্না মেনেজরগী মীফম অদু মার্চ ২১দা ৱাংজিংগী কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা অয়ূক পুং ৮দা পাঙথোক্লগনি হায়রি। ৱারেপকী মতুংইন্না ক্লবকী রিন্যুএল ফী অদু লুপা ২০০০ ওইগনি। টুর্নামেন্ট ফীনা লুপা ১,৫০০, শান্নরোয়গী কার্দ ফীনা লুপা ৫০০, লোয়ননা অনৌবা এফিদেসন ফীনা লুপা ৫,০০০ ওইগনি হায়না দি এফ এ থৌবালগী চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।


ALL MART
Uripok Brahmapur, Opp. Cheirap Court.
WE ARE HIRING

| SL.NO. | POST | VACANCY | EDU. QFN. | SALARY |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Office Assistant (Desk Job) | 20 | 12th Passed | Rs. 5500/- |
| 2. | Social Media Influencer (Desk Job) | 20 | 12th Passed | Rs. 5500/- |
| 3. | Business Development Representative (Desk Job) | 30 | 8th Passed | Rs. 5000/- |
| 4. | Delivery Agent (Must own a vehicle and smartphone) | 30 | 8th Passed | Negotiable |
| 5. | Helper | 3 | - | Rs. 5000/- |

Last Date of Form Submission : 05/03/2021
PLIZ CONTACT FOR DETAILS :- 6009683820/7005133258/7085198809
HL-P/9066/26,27,28/2,1/3

EMPLOYMENT NEWS
> IMPHAL BRANCH:- Security/Gunman-2,Office Asst.-2,Car Driver-2,Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2,Tyre fitting helper-2, Car Driver-2,Grade IV-2
> MOIRANG BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> THOUBAL BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> NAMBOL BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
Pl. Contact: L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, Imphal-west,Manipur
CONTACT No.:- 8731978490 / 9774495994
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
HL-B/6672/11/2-6/3 (alt)


## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I.W, HIYANGTHANG

**Ref :- Mut. Case No. 134/SDC/IW (H) of 2021**

Shree Tongbram Jamuna Devi D/o (L) T. Apabi Singh of Govindagram Awang Leikai, Wakching Khullen.

-Vs-

Shree Late Tongbram Ibotombi Singh S/o (L) Tonsana Singh of Wakching Khullen.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, 25/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৭- ৱাকচীং খুল্লেন পাট্টা নং ১০৮ (অরিবা), ৩১৫ (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা), ২৭৫ (অনৌবা) গী এরিয়া ০.৫৬ একর চাউবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ০৮/০৩/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

*Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W, Hiyangthang*

HL-P/9080/01

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I.W, HIYANGTHANG

**Ref :- Mut. Case No. 135/SDC/IW (H) of 2021**

Shree Tongbram Jamuna Devi D/o (L) T. Apabi Singh of Govindagram Awang Leikai, Wakching Khullen.

-Vs-

Shree Late Tongbram Ibotombi Singh S/o (L) Tonsana Singh of Wakching Khullen.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, 25/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৭- ৱাকচীং খুল্লেন পাট্টা নং ৩৪২ (অরিবা), ১৬১ (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা), ৬৪৪ (অনৌবা) গী এরিয়া ০.৬৮ একর চাউবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ০৮/০৩/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

*Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W, Hiyangthang*

HL-P/9080/01

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I.W, HIYANGTHANG

**Ref :- Mut. Case No. 136/SDC/IW (H) of 2021**

Shree Shougrakpam Bibita Devi W/o Tongbram Basanta Singh of Govindagram Awang Leikai, Wakching Khullen.

-Vs-

Shree Late Tongbram Ibotombi Singh S/o (L) Tonsana Singh of Wakching Khullen.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, 25/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৭- ৱাকচীং খুল্লেন পাট্টা নং ৫০ (অরিবা), ১৬২ (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা), ৬২৯ (অনৌবা) গী এরিয়া ০.৬৪ একর চাউবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ০৮/০৩/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

*Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W, Hiyangthang*

HL-P/9080/01

## IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref :- Mutation Case No. 187/AS & SO/K dt. 23/02/2021**

1) Chingtham Aton Singh S/o Atoiyaima Singh of Tejpur Mayai Leikai.

-Vs-

1) Chingtham Atoyaima Khuman S/o (L) Ibohal Khuman of -do- (2) -do- Khamba Khuman S/o Atoyaima Khuman of -do- (3) -do- (N) Ngushitombi Chanu (3) -do- of -do- (4) -do- Barjachand Khuman S/o -do- of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 23-02-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা ককচীং তহশিল খুন নং ৭০ নুঙ্ স্নামহি পাট্টা নং ৫২৩/১৫৭ (অনৌবা), দাগ নং ১০৫৩, এরিয়া ১.২৫ হেক্টর ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার ১) চীংথাম অতোয়াইমা খুমন পীং মৃ: ইবোহল খুমন (২) চীংথাম ব্রজচান্দ খুমন পীং অতোয়াইমা খুমন সাং তেজপুর ময়ায় লৈকায় অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চথরগনি।

HL-P/6824/01 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com